চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

LIMITED STOCK
WATER PURIFIER EUREKA FORBES FREE UV
40" LED INTEX TV
215/185 LT. REFRI GODREJ ₹ 40,000
8 KG INTEX WASHER FREE ₹4999
32" LED INTEX TV
215 LT. REFRI (INTEX) ₹ 32,700
7.2 / 7.5 KG WASHER
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক
www.sanaleibak.in



এলএসএসপিগী ওর্গনাইজিং কমিতি মীতে চনুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অথোই অহেন চাংদম্নবদা মকোক ওইখিবী ওইনাম মেরিনা চনুদা মীতে চনু ২০১৮ মিংথোন পীখিবা

শুগনু লমহাং ভিলেজদা পাঙথোকখিবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট কুট ফেষ্টিভেলদা চীফ হোস ওইখিবা মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মেঘলায়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনার্দ সংমাদা খুদোলপোৎ পীবা



INTEX
WASHING MACHINE
6.2 KG ₹ 9000 = ₹ 7800
7.2 KG ₹ 10000 = ₹ 8999
7.5 KG = ₹ 9400
8KG ₹ 11500 = ₹ 10200
REFRIGERATOR
180 L GODREJ ₹ 12500 = ₹ 10500
185 L GODREJ ₹ 13400 = ₹ 11000
215 LTR ₹ 19190 = ₹ 12999
INTEX LED (3 YRS WARRANTY)
55" SMART LED 4K = ₹ 48000
50" LED FULL HD = ₹ 38000
43" LED FULL HD ₹ 41990 = ₹ 28000
40" LED HD ₹ 32990 = ₹ 22500
32" LED (TV) ₹ 18990 = ₹ 13500
24" LED (TV) = ₹ 9300
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

ঙসিগী অঙৈং–অশা: শাবগী চাং ঃ ২৭° ঈংবগী চাং ঃ ১৪° | নুংশিৎ শিৎপগী চাংঃ পুংদা কিলোমিটর ৩
IMPHAL, FRIDAY 2 NOVEMBER, 2018
ইরাই, মেরাগী ২৪ / ২৫নি পানবা
e-mail: sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 339 Page : 8 | Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্খাক

'নিরগা লৌবগা, মুল্লগা লৌবগা, মশানা য়ানা পীরকপগা করম্বনা হেন্না ফরমগদগে?'

## অহানবা কাখল

### ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বী ফাওনদ্রি

ইম্ফাল,নভেম্বর ১ ঃ

নেস্লেল হায়ৱে–২গী নাগালেন্দ সেক্টর দিমাপুরগা নক্কনা লৈবা মফম অমদা ফোরলেন্দ শেম্নবা হোৎনবদা চীং নিংখায়রকপদগী লম্বী থিংখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা ইম্ফাল–দিমাপুর লম্বী ফাউনবা ঙমখিদ্রে।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩০দা কোহিমাদগী কিলোমিটর ২ রোম দিমাপুররোমদা চৎলগা লৈবা মফম অমদা চীং নিংখায়রক্কুনা লম্বী অসি থিংখিবনি। হৌজিক ফাওনবা য়ানবা শেংদোকপা অমসুং কোখোকপগী থবক কন্না চখরি। অদুবু নুমিৎ মরি–মঙানিরোমদি চঙলবা য়াই হায়না ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্টর, ড্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী ঐচ কুলামনিনা ফোঙদোরক্লি।

### কে জে অলফোন্স থুংলরে

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) টুরিজম কে জে অলফোন্স নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা ইম্ফালদা ঙসি থুংলরে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা ঙসি ইম্ফালদা হেক থুংলবগা লোক্তাক পাত্তা চত্তুনা য়েংশিনখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অসিনা হয়েং নুংথিল ইম্ফালগী পোরোম্পাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবন্দা পাঙথোকপা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা শরুক য়াগনি। লোয়ননা মহাক্না ইম্ফালদা লৈরিঙৈগী মতম অসিদা ষ্টেট অসিগী টুরিজম প্রোজেক্ট খরগী রিভিয়ুসু তৌরবা য়াই হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী লিখুন অমনা হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৩ দা

## থোমাস গ্রাউন্দ কাংপোকপীদা কুট ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে

### হৌখিবগী নুংঙাইতবশিং কাউথোক্লরগা তুংদা অমুক থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি ঃ সিএম

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

কুকি চিন মিজো গ্রুপকী খ্বাইদগী চাওবা পোষ্ট হার্বেস ফেষ্টিভেল ঙসি ষ্টেটকী থাক্তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগী থোমাস গ্রাউন্দদা চিং লেন্না পাঙথোকখ্রে।

ষ্টেট লেভেল কুট সেলেব্রেসন কমিতিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং লেন ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হায়, হৌখিবা নুংঙাইতবা অমসুং পেন্নদবা কয়া অদু কাউথোক্লরগা তুংগীদমক পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবা লমদম অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি। অপুনবা মণিপুর অমসুং অপুনবা ইন্দিয়াগীদমক ঐখোয়না পুন্না লেপমিন্নদুনা শোখরবা অমসুং হন্থবা কাংলূপপু হেন্না চাওখৎনবা অমসুং পুম্নমক্কা মান্নবা থাক্তা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদ্দবদি লাক্লি।

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মণিপুরদা তোঙান–তোঙাননা ফুরুপ কাংলূপ ৩৭ রোম নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরকপা অপিকপা ষ্টেট অমনি হায়রদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ কাংলূপশিংগী ফজরবা নাৎকী ওইবা কুম্মৈ অমসুং ফিজেৎ চাকচানা ঐখোয়গী অপুনবগী মশক অদু তাক্লিবনি হায়রদুনা কুট কুম্মৈ অসিসু অসিগুম্বা মখলগী ময়েক লারবা খূদমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অচৌবা অমসুং অকনবা ফুরুপ নৎত্রগা কাংলূপনা অপিকপা অমদি অশোনবা ফুরুপ কাংলূপপু নমথবীবগী অমদি হন্থনা য়েংবগী মতম অদু হৌজিক্তি নৎত্রে। কম্যুনিতি খূদিংমক মশাগী আইদেন্টিটি ঙাক্তুনা দিগ্নিতি লৈনা হিংবা তাই। সরকারনা হিংবগী ৱাহন্থোক অমসুং থবক্তা চপ চানা থাজবা থম্লি। অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা পুম্নমক মান্নবা থাক্তা নুংঙাই য়াইফনা লৈমিন্নবা অমদি মান্ননা চাওখৎমিন্নবা হায়বা অসিদসু হেন্না মীৎয়েং চঙলি হায়রি।

ষ্টেট লেভেল কুট সেলেব্রেসন কমিতিনা হন্দক চহীগী ওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদা থৌরম পাঙথোকপা অসিনা অরাপ্পা অমসুং মনুং চঙশিন্না লৈবা মীয়ামগা উন্নদুনা অপেন পেন্দদা ফোঙদোক্নবগী তাঞ্জা অদুসু হেন্না ফঙলগনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা সোসিয়েল ৱেলফিয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়, লোল, লাইনিং লাইশোন মখা লমায় ৬তা



### কুট নেসনেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবীয়ু ঃ কোনার্দ সংমা

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ কুকি–চিন–মিজো কাঙলুপকী খ্বাইদগী চাউবা লৌরোক কুম্মৈ কুট ফেষ্টিভেল অসি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদ্দবা মতম য়ৌরে হায়না মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট কুট কম্মিতিনা শীন্দুনা শুগনু লমহাং ভিলেজদা 'নর্চরিং দি লিগেসি ওফ অৱার ফোরফাদর' হায়বা ঠিমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা হায়, মরৈবাক নীংবা হায়বসিনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী মপাঙ্গল ওইরিবনি।

কুটকুম্বা ত্রাইবশিংগী কষ্টম অমসুং ত্রেদিসন ঙক্না থম্নবা চখবা কুম্মৈ অসি হেন্না চউবা প্লেটফোর্ম অমদা পুখৎপগী তঙাইফদ্দবা লৈ।

সংমানা মখা তনা হায়, কুটকুম্বা কুম্মৈ অসি মেঘালয়গী গারো ত্রাইবশিংগী লৈরিবা লৌরোক কুম্মৈগা মান্নবা মশক অমা লৈ। মখা লমায় ৬তা

## মনিতেক্সতা মপান লৈবাক্কী ষ্টৌলশিং হাংগনি ফিশাবীশিংগীদমক ক্লষ্টর ১৬২দা য়োঙ্খম ১৮০৭ য়েন্থোক্কনি

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ লাক্লিবা নভেম্বর ৫ দগী ১৫ফাওবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর লম্বোইখোঙনাংখোঙদা চত্থগদৌরিবা মণিপুর ইন্টরনেস্নেল টেক্সটাইল এক্সপো(মনিতেক্স)২০১৮ অসিদা ইন্দিয়া মনুংদগীদা নত্তনা মপান লৈবাকশিংদগী মীওই কয়ানা লাক্তুনা ষ্টৌল হাংগদৌরি। লমদম অসিগী ফিশাবীশিংগীদমক ক্লষ্টর ১৬২ দা পুন্না য়োঙ্খম ১৮০৭ লুম অপগ্রেদেসন প্রোগ্রামগী মখাদা য়োঙ্খম য়েন্থোক্কনি হায়না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সপো অসিগী মাঙওইননা এক্সপো অসিগী পাউজেলগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়ামগী ইয়োং ফি শারগা হিংনবা লম্বী থিজরিবা ফিশাবীশিংবু পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা চৎখিবা সাইকল রেল্লিদা শরুক য়াখিবশিং ওকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

ককচিং অমসুং মোইরাংদগী লমথারকখিবা সাইকল রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিং ওকপগী থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, ত্রেদ এক্সপো অসি মপুং ওইনা লমদম অসিগী লৈজরিবা নাৎকা মরী লৈনবা মখা লমায় ৬তা

### আইপিআর দে ২০১৮ পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন (দিআইপিআর)না শীন্দুনা ৭০ শুবা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন দে ২০১৮ ঙসি নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট অসিগী অনৌবা কেম্পসতা নৌনা শেমগৎপা গার্দেন অমসু মিনিষ্টর (আইপিআর) থোঙাম বিশ্বজিৎনা মীয়ামদা শীন্নখ্রে। লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙবা থাগী চেফোং 'মণিপুর টুদে'সু ওনলাইন ই–মেগাজিন ওইনা ফোঙবা হৌখ্রে।

থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, অওনবা পুরক্নবা হোৎনবদা দিআইপিআরনা অচৌবা থৌদাং লৌই। অদুবু দিপার্টমেন্ট অসি মতম অমদা অৱাৎপা কয়ানা থবক মঙম শানলমদে। থায়নগী ওইখিবা শক্তম অদু হৌজিক ফাওবা কাউবা ঙমদবদগী থবক ইতৌ তৌদবগুম উরি। দিপার্টমেন্ট অসি চাউখৎহননবা হোৎনবদা দিপার্টমেন্ট অতৈগীসু কো–ওপরেসন চঙই। দিপার্টমেন্ট অতৈনা মশা মশাগী ওইবা থবক থৌরম পায়খৎনবগীদমক মীয়ামদা খঙহননবা এদভরটাইজ হাপ্পদা য়ামদ্রবদা চাদ ৫দি দিআইপিআরগী ওইনা হাপ্পীয়ু। লোয়ননা হোর্দিংনচিংবসু দিআইপিআরদা তৌহনবীয়ু।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, সরকারগী চাউখৎ–থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী পাউজেলদা হোর্দিং অসি ইম্ফাল ময়োল খক্তদা থেৎপীগনু। মখা লমায় ৬তা

## ইন্দো ম্যান্মার রিজনেল বোর্দর মিট ঙসি লোইশিল্লগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

ইন্দিয়ান আর্মিগী স্পিয়র কোরগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রি গেরিসনদা ঙরাংদগী চত্থরকখিবা ইফি দয়া অমসুং ম্যান্মার লৈবাক অনীগী ১৩শুবা ইন্দো–ম্যান্মার রিজনেল বোর্দর কমিতি মিতিং হয়েং ইরাই নুমিৎতা লোইশিল্লগনি।

আইজি এআর (সাউথ)গী পিআরওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নুমিৎ হুম্নিগী রিজনেল বোর্দর কমিতি মিতিং অসিগী ৱারেপ নৎত্রগা অকুপ্পা মরোল লৈবাক অনীগী দেলিগেসন লূচিংবশিংনা সহি তৌবনি। মিট অসিদা ম্যান্মার আর্মি, পুলিস অমদি ব্যুরোক্রেটিক দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা মেম্বর দেলিগেট ১৯ শরুক য়ারি।

ম্যান্মার দেলিগেসন অসি নোর্থ ৱেষ্ট কম্মান্দগী কম্মান্দর মেজর জেনরেল ফোনে ময়তনা লুচিংলি অদুগা ইন্দিয়ান দেলিগেসননা স্পিয়র কোরগী জিওসি লেফটিনেন্ট জেনরেল গোপাল আর, এভিএসএম, এসএমনা লুচিংলি। মখা লমায় ৬তা




## মালেমদা ঐখোয়বু শক তাকলিবসি ঐখোয়গী কলচরননিঃ খেমচান্দ

এস এন এস

ইম্ফাল,নভেম্বর ১ ঃ

ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুর, ইম্ফালগী ১৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম ফোরম অসিনা শীন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দদা লৈবা মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ সিংহনা থৌরমগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মালেমদা অমদি ভারত্তা মণিপুরগী চাউরবা শক্তম অমা কল্লিবসি কলচরগী মপালননি। মালেমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা রাস লীলা অসি ঐখোয়না–ঐখোয়গী নত্তে হায়গদৌবা নত্তে। পোজিটিভ ওইবা শরুক মখে লৌশিল্লগা ফৎতবা শরুক্কা লং থোকখিসি। মণিপুরগী শাংলবা পুৱারীদা হংকৎনা য়েংবদা লমদম অসি কলচরদা পুঁকে চোল্লি। কলচর চউখৎনবা থৌরাং পায়খৎপগী মহুৎ অমনা–অমগী ক্রিটিসাইজ তৌনবা অসি পামজদে হায়নসু মখা তাখি।

ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নবানা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মালেমগী থাক্তা ঐখোয়বু শকখঙবিরিবসি মখা লমায় ৬তা

## চীফ মিনিষ্টর হাৎকনি কিহল্লম্লগা লোৎখিবা মীওই ১ টামিল নাদুদগী ফারগা পুরক্লে

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু সোসিয়েল মেদিয়াগী পাম্বৈশিং ওইরিবা ফেসবুক অমদি ৱাটচঅপনচিংবদা হাৎকনি হায়দুনা কিহনবদা নত্তনা ফজদবা ঈজ্জৎ শোক্লিংঙাই ওইবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা চৈ–থাংলম্বা অমসুং এন্টি–সোসিয়েল ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবা থৌদোক্তা চেন্নবদগী পুলিসনা ফাননবা হোৎনরকপদা লোৎখিবা মীওই অমা টামিল নাদুদগী ফারগা পুরক্লে।

ফাদুনা ঙসি ইম্ফালদা পুরক্নবা মীওই অদুগী মমিং এমদি অলি অহমদ এলাইজ বাবুজি (৩২) কৌই। অসামগী কছারগী জিরিঘাট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লালপানি গারিবাদতগী এমদি চাওবা মিয়াগী মচানুপানি।

মহাক টামিল নাদুগী কৃষ্ণগিরি হোশুরগী বর্থাপল্লিগী মফম অমদা লোৎতুনা লৈরম্বদগী ঙরাং মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আইজিপি) ক্লে খোংসাইগী কম্মান্দ মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা টামিল নাদু অমসুং দিল্লি পুলিস (স্পেসিয়েল সেল)গী টিমশিংগা খূৎশম্নরগা ফাগৎখিবনি।

মহাক ফাবগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং দিষ্ট্রিক্ট মখা লমায় ৬তা

## জিরি অমসুং বরাক তুরেলদা মোটোরবোট পেট্রোলিং হৌখ্রে

জিরিবাম, নভেম্বর ১ ঃ

আইননা য়াদবা মীতোপ চঙশিল্লকপা অমসুং অতৈ এক্টিভিটিজ কয়া থিংনবা জিরি অমসুং বরাক তুরেলদা হায় স্পিদ মোটোরবোট অনীনা পেট্রোলিং চৎপা ঙসি এসপি জিরিবাম মুবি মোইরাংথেমনা হৌদোকখ্রে।

মোটোরবোট পেট্রোলিং অদু জিরিমুখ পুলিস আউট পোষ্টতা এদিস্নেল এসপি বাসুলাল সিংহ অমদি এসদিপিও সনাতোম্বা সিংহ য়াওনা এসপিনা হৌদোকখিবনি। পাউমীশিংগা উন্নবদা এসপি মুবি মোইরাংথেমনা হায়, হায়স্পিট মোটোরবোট অনী অদু ষ্টেট সরকারনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ৱাটর ৱে প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক পীরকখিবনি। মখা লমায় ৬তা

## লোইরেদনা

এ... চাক্লৌবা য়ৌদ্রিঙৈদা লোই শিৎখিবা পান্নিদুবু অমুক লৌথগে সিনিনে।

[illegible]



নত্তে খরা, চাক্লৌবা নক্লক্লদি মমল হেনবা য়ারোইনা তৌরক্লনি।

[illegible]

## হেক্তা হায়জিনবা

### কুটনা লাকপদা

শাবী লাও লাও
চৎসি লাও
কুট কুম্মৈ য়াওরুসি
কুম 'মগী অমুক্তং
লৌরোক থানা লাকপদা
নীজসি হায়জসি
তাইবঙ মপু মঙোন্দা
চাথোক ফৌদোক
মরাং কায়হনবিয়ু
মথং চহী লাকপদসু
তোরৈ ইরৈ চেনহনবিনু
মশানৌনা খুল্লকই
শকহেনবী তান্নবা য়েংবদা
নিষা খায়বদুদি মাইদা
তল্লিদা ঐদি উজনীংদে।

## হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচাক য়াওবা চান্ন থক্লবা পোৎলমশিং থিংনবা থবক লৌখৎলগনি ঃ জয়ন্তকুমার

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ মীওইবনা চাবদা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইবা মচল চান্ন থক্লবা পোৎলমশিংদা য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা করিগুম্বা মদু য়াওরম্বা তরবদি থিংনবা থবক লৌখৎলগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ফুদ সেফটি কম্মিস্নরগী ওফিসনা শীন্দুনা স্বাছ ভারত যাত্রা–এ পান ইন্দিয়া সাইক্লোঠোনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা প্রভাট ফেরি (খোঙচৎ) লমথাবা অমসুং খোঙচৎ অদুদা য়াওরিবশিংবু ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপথংবা গেট তগী হৌরগা নিত্যাইপাৎ চুথেক, সঞ্জেন্থোং ফাওরগা কোনুংমমাং, চেক্কোন ফাওদুনা লাক্লগা পোরোম্পাৎ দি সি ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবন্দা লমথুংফম ওইখিবা খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা ফুদ সেফটি মখা লমায় ৬তা




## কেসিপিগী নীংতম চেফোঙ 'লাম্হেংমিন্নসি ঐখোয়' পুথোকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১ ঃ

ঙসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কেসিপি)না থা ৬ খুদিংগী পুথোকপা চেফোঙ 'লাম্হেংমিন্নসি ঐখোয়' ওক্টোবর,২০১৮ (নীংতম চেফোঙ) ভোল্যুম–১১, ইশু নম্বর–০২ পুথোকখ্রে হায়না আইননা থিংখ্রবা লূপ অসিগী সেক্রেটরী ইন–চার্জ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রিবদি, হন্দক্কী চেফোঙ অসিদা য়াওরিবশিংদি–১) ১৪শুবা মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগী মপোক কুমওনদা মখা লমায় ৬তা

## দ্রগ কেসকী ৱায়েলদা 'স্পিসিয়েল কেয়র' লৌনবা সিবিআইদা কোর্টনা খঙহনখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাঙ এপ্রিল ২০১৩দা থোকখিবা মণিপুর পুলিসকী কম্মান্দো পার্সোনেল ১৩ য়াওনা অতোপ্পা মীওই অহুমগা পুন্না এক্যুইজ ১৬ চেন্নবা দ্রগ কেসকী ৱায়েলগী থবক য়াংশিন্নবগীদমক কেস অসিগী চার্জসিট ফাইল তৌরকখিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)দা কোর্টনা অকনবা পাউতাকশিং পীখ্রে।

অপুনবা এক্যুইজ ১৬সিগী মনুংদা য়াওরিবা কম্মান্দো পার্সোনেলশিংসি খরগা য়াম্লবা দ্রগশিংগা হকথেংননা মোরে তম্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো দাগী পার্সোনেলশিংনা ফাবনি। অদুগা খরনা দ্রগশিং অসিগী পুরকফমদগীনা মোরেদা পুরবা মতুংদা খূৎশিন্নগদবা মফমশিংগী শিন্দোক–শিঞ্জিন তৌবদা শরুক য়ারুবগীনি।

থৌদোকসিগী মতাংদা অহানবদা ককচিং পুলিস ষ্টেসননা এনদি এন্দ পিএস এক্টকী সেক্সন ২১ / ২৯ অমদি আমর্স এক্টকী সেক্সন ২৭কী মখাদা কেস এফআইআর নম্বর ৬২(৪) ২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চখবা হৌরকখিবনি।

অদুবু কেস অসি সিবিআইদা শিন্নবদগী এজেন্সি অসিনা মসিগী চার্জসিট সেসন্স জজ থৌবালগী কোর্টতা থাগৎলকখিবনি। মখা লমায় ৬তা

## নাগামপাল বোম ব্লাষ্ট য়ুএনএলএফ / এমপিএননি ক্লেম তৌখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, নভেম্বর ১ ঃ

হৌখিবা ওক্টোবর ২০গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা নাগামপালদা সিআরপিএফ পুবা ট্রুক অমদা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা লান্দাখিবদু য়ুনাইটেদ নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ুএনএলএফ)কী লান্মী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এমপিএ)গী মীওই অনীনা শাবা টেক্টিকেল য়ুনিট অমনা চথখিবনি। অদুবু ওক্টোবর ২৮দা মণিপুর পুলিসনা ফারবা য়ুএনএলএফ /এপিএগী ইতাও অনী নোংগ্রেন মনিং লৈকাইদগী হৌজিক্লা নাগামপালদা লৈবা খাইদেম সনা অপোকপা কেঐচ বাবু অমদি য়ুম্লেম্বম মিলন অপোকপা লৈখিদ্রবা মনিহারদি সিআরপিএফতা লান্দাবা অসিগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

আইননা থিংখ্রবা লূপ য়ুএনএলএফকী দাইরেক্টর দিপার্টমেন্ট ওফ পাব্লিসিটি এম শকহেননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ওক্টোবর ৩০দা পাঙথোকখিবা প্রেস মিট অমদি প্রেস নোটতা মণিপুর পুলিসনা শেম শারগা পুথোরক্লিবা সকসেস ষ্টোরি অদুদি বোম পোকখায়বা অদুগী লাঙনা লাংজিল ফঙবা ঙমদবদগী মখোয়না অফাবা মীওই অনীদা মরাল হেক্তা শীজিনবনি। অসিগুম্বা লান্না শন্দোকপা ৱাফম অসিদা লৈবাক মীয়াম্না থাজবীগনু। মখা লমায় ৬তা

সনালৈবাক্কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7629854023 অমসুং 9862015179(নিউজ কোওদিনেটর), এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/9856429698দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588দা পাউ পীবিবা য়াগনি